# বাস্কেটবোল ফেদরেসন অমসুং স্পোর্টস ওর্থোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা কোচশিংগী ইন্টরেক্টিভ সেসন পাঙথোক্লগনি



হায়দ্রবাদ, এপ্রিল ২৭ (এজেন্সি)ঃ

বাস্কেটবোল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া অমদি স্পোর্টস ওর্থোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা মশান্না অসিগী কোচ ৬০০ হেনবদা মে ৭ ফাওবা ইন্টরেক্টিভ সেসন পাঙথোক্লগনি হায়রি।

পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টরেক্টিভ সেসন অসিদা তেলঙ্গনা ষ্টেটতগী রেকোর্দ ওইনা কোচ ৫৮ না ক্লাস অসি য়াওগদৌরি অমসুং মখোয়শিং অসিগী মনুংদা কোচকীদমক ক্কালিফাইদ ওইদ্রবসু মশান্না অসিগী বেসিক ওইরিবা ড্রিব্লিং, পাসিং অমদি শুটিংগী মতাংদা তাকপা ঙম্বা মীওইশিংনা অয়াম্বা ওইরি।

এফ আই বি এগী টেক্নিকেল দিলিগেট নোরমেন ইশাকনা হায়, সরবিয়ান বেসিলিন মেটিক অমসুং জোরান বিসিকনা ষ্টেট বাস্কেটবোল এসোসিয়েসনশিংনা খনগৎলবা কোচশিং অসিদা মশান্না অসিগী কোচিংগী লমদা হৈথোয় শীং থোয়রবা মেটিক অমদি বেসিকনা ক্লাসশিং কন্দক তৌগনি।

পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টরক্টিব সেসন অসিগী নুঙগী ওইবা পান দমদি গ্রাসরুট লেভেলদগী হৌনা কোচশিংনা মথৌ তাবা খুদিংমক নীংথিনা খঙনবনি। মসি নৎত্রগদি শান্নরোইশিং অদুনা গ্রাসরুট লেভেলদগী লাম্হোক্লবা মতমদা মখোয়গী টেক্নিক্তা অহোংবা লাকপা মতমদা খুদোংচাদবা মায়োক্লবা হেক হেক থোকপা অসি খরা মখৈ ফরগনি খল্লি।

মহাক্না মখা তানা ইন্দিয়াদদি মশান্না অসিদা ড্রিব্লিং তৌবগী কন্সেপ অসি বোল লৌবদা লানবনা চম্নবা ওইদুনা ড্রিব্লিং তৌবা অসিনা টিমগী খুদোংচাবা মাঙহনবনি খল্লি অদুমকপু ড্রিব্লিং তৌবা অসিনা ওপোন্টেশিংবু প্রেসর পীবদা অচৌবা খুদোংচাবা অমা ওইরিবনি।

পাঙথোক্কদৌরিবা সেসন অসিদা ভিডিও ক্লিপ য়াওনা পৱার পোইন্ট প্রজেন্টেসন শীজিন্নদুনা মশান্না অসিগী লমদা চাউখৎলবা লৈবাকশিংনা চথরিবা প্রটিক্স তৌবগী মওং মতৌগা ইন্দিয়াদা তৌরিবা অসিগী খেৎন্নবা অদুসু উৎক্কনি।

কোচশিংদা টেলেন্ট লৈরবা অঙাংশিংবু কোচিং তৌবা মতমদা মখোয়গী বাইওলোজিকেল ফেক্টর অদুবুসু কন্সিদর তৌনবা অমসুং সেসন অসিনা করম্না কোচশিংগী তুংগী কেরিয়রদা মায় পাক্কদগে হায়বগী মতাংদসু তাক্কনি হায়রি।

লোয়ননা শান্নরোই খুদিংমক্না মশান্না অসিগী পোজিসন মঙা মক্তা মওং চানা করম্না শান্নগদগে হায়বদু খঙহনগনি।

সরভিয়ান কোচশিং অসিনা শান্নরোইশিংদা মখোয়গী খ্বাইদগী অকনবা মফমশিং অদু করম্না খঙদোকপা ঙমগনি হায়বগী মতাং অদু অমদি অশোনবা জগাদুনা করম্না মেনখৎক্কনি, করম্না টিম ৱাক পাঙথোক্কনি অমসুং পোজিসন খুদিংমক্কী তোঙান তোঙানবা ড্রিলশিংগী মতাংদসু তাক্কনি। সেসন অসিদা কোচশিংদা অতোপ্পা টিমশিংদগী শান্নরোই করম্না স্কাউটিং তৌদুনা টিমগী ষ্টিজিদি প্লানিংদা খুমাঙ চাউশিন্নবা হোৎনবগী মতাংদসু মেটিক অমদি বেসিকনা তাক্কনি হায়রি।

নোরমেননা মখা তানা হায়, প্রাটিক্স সেসনদা কোচনা ওফিসিয়েল ওইদুনা অমসুং চৎনা কাঙলোন খঙদুনা শান্নরোইশিংবু এদুকেট তৌবা ঙমগদবনি। লোয়ননা অতোপ্পা অমনা শুটিং তৌবা অসি এন বি এগী শান্নরোইশিংনা প্রাটিক্স সেসন অমদা নোংমদা সোর্ট ৬০০ দগী ৭০০ ফাওবা তৌগনি হায়বসিসু খঙবা মথৌ তায়।

সেসন অসিদা কোচশিংদা করম্না ড্রিব্লিং ইম্প্রুফ তৌনবা, ক্রোস ওভর, ক্রোস ষ্টেপ, কোম্বো ড্রিল, টি বোল ড্রিব্লিং ৱিদ ভাইওলেসন হায়বা তোঙান তোঙানবা মশান্না অসিদা মথৌ তাবা টেক্নিক খুচদিংমক খঙহনবগা লোয়ননা শরুক য়াগদৌরিবা কোচশিং অসিনা মতুংদা শান্নরোইশিংদা তাকথোকপদা লায়নবগীদমক মখোয় মাখোয়গী জম্প তৌরগা শুটিং তৌবগী স্কিল অমসুং জিক জেক ষ্টেপশিংগী মতাংদসু খঙহনগনি হায়খি।

বাস্কেটবোল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া অমসুং স্পোর্টস ওর্থোরিটি ওফ ইন্দিয়না লৌখৎলিবা খোঙথাং অসিনা ইন্দিয়াগী কোচশিংদা শুং শোয় শোয়দনা কান্নবা পীদুনা শান্নরোইশিংবু মাঙলোমদা চঙশিনবা ঙমগনি হায়বা থাজে হায়খি।

# ফ্রান্স ফোর্ম্যুলা ৱান গ্রান প্রি কেন্সেল তৌখ্রে, বৃটিস গ্রান্দ প্রি ভাবোক য়াওদনা জুলাইদা পাঙথোক্লগনি

পেরিস, এপ্রিল ২৭ (এজেন্সি)ঃ

চৎলিবা চহী অসিগী জুন ২৮ তা ফ্রান্সকী লী কেষ্টিলেট পাঙথোক্লবা শেম শারম্বা প্রান্স ফোর্ম্যুলা ৱান গ্রান্দ প্রি অদু কোভিদ–১৯ লাইচৎনা মরম ওইদুনা কেন্সেল তৌখ্রে। লোয়ননা জুলাই থাদা পাঙথোক্কদবা বৃটিস গ্রান্দ প্রিদি ভাবোক য়াওদনা পাঙথোক্কনি হায়না ওর্গনাইজরশিংনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা লাউথোকখ্রে। সিজন অসিগী ফোর্ম্যুলা ৱান হৌজিক ফাওবা কোভিদ–১৯ লাইচৎনা মরম ওইদুনা হৌবা ঙমদনা লৈরি। অমসুং ফ্রান্স ফোর্ম্যুলা গ্রান্দ প্রি কেন্সেল তৌবা অসিনা ফোর্ম্যুলা ৱান রেসশিং অসিগী কেন্সেল তৌবা ১০ শুবা ইভেন্ট ওইরি।

হিরম অসিগী মতাংদা ফ্রান্স গ্রান্দ প্রিগী মেনেজিং ডাইরেক্টর ইরিক বৌলিয়রনা হায়, কোভিদ–১৯না লেপ্পা লৈত্তনা শন্দোরকপা অসিদা ফ্রান্স গ্রান্দ প্রিনা ইভেন্ট অসি মপুং ফানা পাঙথোক্লবগী ওইথোকপা লৈতে হায়খি।

ফোর্ম্যুলা ৱানগী চিয়রমেন চেস কেরিনা হায়, গ্রান্দ প্রি কেন্সেল তৌখিবা অসি নুংঙাইতবা পোকই অমসুং ফ্রান্সতা লৈরিবা মশান্না অসিগী ওর্থোরিটিশিংনা লৌখিবা ৱারেপ অদু ঐখোয়না মতম পূম্নমক্তা শৌগৎক্কনি অমসুং ইভেন্ট অসি অমুক পুরক্লবা হোৎনবদা মায় ওশিনগনি হায়খি।

ফ্রান্সতা লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা স্পোর্টিং ইভেন্ট কয়া চৎলিবা চহী অসিগী জুলাই ফাওবা অথিংবা থম্বগা লোয়ননা চৎথোক চৎশিন তৌবদসু অথিংবা থমদুনা লৈরি।

মেদা পাঙথোক্কদবা মোনাকো রেসসু মাঙজৌননা কেন্সেল তৌখ্রে। ওষ্টেলিয়াদা মার্চ ১৫ দগী পাঙথোক্লবা শেম শারম্বা মেলবোন ওষ্টেলিয়ান ওপন্নরসু তোকখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা ফোর্ম্যুলা ৱান রেস ৮ অনৌবা মতম লেপথোক্তুনা চহী অসিগী কেলেন্দরদা রেস ১৫ দগী ১৮ ফাওবা মশীং হন্থখিবা অদুদা য়াওনবা হোৎনগদৌরি।



সিজন অসিগী ওইনা ফোর্ম্যুলা ৱান রেস হৌদোকপা অসি চৎলিবা চহী অসিগী জুলাই ৫ তা ওষ্টিলিয়াগী স্পাইল ব্রক্ত রেদ বুল্ল রিংদা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিনা ওইরবা য়াই হায়না পান্নরি অদুবু রেস অসিসু মীয়াম তিনদনা পাঙথোক্কনি হায়রি। অমরোমদা চৎলিবা চহী অসিগী জুলাই ১৯ দা পাঙথোক্লবা শেম শারিবা বৃটিস গ্রান্দ প্রি অদু ওর্গনাইজরশিংনা য়ৈথোকপা নৎত্রগা তোকপগী ৱাফম ফোঙদোকপা লৈত্রবসু রেস অসিবু পাঙথোকফম ওইরিবা সিলভরস ষ্টোন সাক্যুইদকী মেনেজিং ডাইরেক্টর ষ্টোট প্রিভিলনা মীয়াম অমতা তিনদনা পাঙথোক্কনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়, ঐখোয়না চহী অসিগী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা বৃটিস গ্রান্দ প্রি অসি মালেমগী ওইনা লাম্হেংনরিবা কোভিদ–১৯ লাইচৎনা মরম ওইদুনা লিভরস ষ্টোন সাক্যুইদতা মীয়ামগা লোয়ননা পাঙথোকপা ঙম্বগী ওইথোকপা লৈত্রে হায়খি।

বৃটেনদা লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা মীওই লিশিং ২০ হেননা পূন্সি মাঙখ্রে হায়রি।

# ইংলেন্দ ৱার্ল্ড স্নুকর চেম্পিয়ন্সিপ ২০২০ জুলাই ৩১ দা পাঙথোক্লবা মতম লেপখ্রে

লন্দন, এপ্রিল ২৭ (এজেন্সি)ঃ

চৎলিবা চহী অসিগী এপ্রিল ১৪ দগী মে ৪ ফাওবা পাঙথোক্লবা শেম শারম্বা ৱার্ল্ড স্নুকর চেম্পিয়ন্সিপ অদু জুলাই ৩১ দা ক্রুসিবাইল থিয়েটরদা পাঙথোক্লগনি হায়না ৱার্ল্ড স্নুকর টুর ( দব্লিউ এস টি)না লাউথোকখ্রে। নুমিৎ ১৭ চুপ্পা পাঙথোক্কদবা চেম্পিয়ন্সিপ অসি কোভিদ–১৯ লাইচৎনা মালেমগী মফম কয়াদা লেপ্পা লৈত্তনা শন্দোরকপদগী হৌখিবা মার্চ থাদগী য়ৈথোক্তুনা লাকখিবনি।

দব্লিউ এস টিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, আইকোনিক ওইরবা থিয়েটর অসিদা মীওই লিশিং ১ তিন্দুনা পাঙথোকপা পাল্লি। অদুবু গভর্ণমেন্টগী পাউতাক মতুংইন্না নৌনা লেপ্লিবা মতম অসিদা মীওই য়াম্না তিন্নবগী অয়াবা লৈত্তবদি ইভেন্ট অসি ভাবোক মশিং হন্থনা নৎত্রগা অতোপ্পা মতমদা য়ৈথোকপগী ৱাফম খৎন্নগনি।




ঐখোয়না অনৌবা মতম লেপথোকপা অসিগীদমক্তদি নুংঙাইবা পোকই অমসুং ইভেন্ট অসিগীদমক ঐখোয়না ইন্টরনেস্নেল টেলিভিজন ওর্দেন্সদা মীওই মিলিয়ন ৫০০ মুক য়েঙগনি হায়না পান্নরি।

মালেমগী ওইনা হৌজিক অরুবা ফিভম অমা মায়োক্নরি অদুবু লাইফ স্পোর্টসনা পাব্লিকশিংদা ইন্সপ্রিয়েসন অমসুং মোরেলশিং হেনগৎহনগনি হায়না থাজে। শান্নরোইশিং অসি মশা মশানা ইম্পোলোয় তৌজবনি অমসুং মখোয়না পৈশা তাঞ্জনবগী দরকার ওই।

লোয়ননা ইভেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা মীপুম খুদিংমক শাফনা লৈহনবা ঐখোয়গী অহানবা মীৎয়েং থল্লি হায়খি।

# টাজকিষ্টানগী দোমেষ্টিক ফুটবোল মে ১০ ফাওবা সস্পেন্দ তৌখ্রে


দুসান্টবে, এপ্রিল ২৭ (এজেন্সি)ঃ

কোভিদ–১৯ লাইচৎনা মালেমগী ফুটবোলগী ইভেন্টশিং লেপ্তুনা লৈরবসু মশান্না অসিবু মপুং ফানা চথরিবা টাজকিষ্টানগী দোমেষ্টিক ফুটবোল লীগশিং মায়কৈ কয়াদগী সিজন লেপ্নবা তকশিনলকপদগী অমসুং লৈবাক অদুগী গভর্ণমেন্টনা লাইচৎ অসিবু থিংনবা অনৌবা চেকশিন থৌরাং পায়খৎনবা ৱারেপ লৌরকখিবনা টাজকিষ্টান ফুটবোল সিজন মে ১০ ফাওবা শান্নবা লেপ্লগনি হায়না লৈবাক অদুগী ফুটবোল গভর্ণিং বোদি টাজকিষ্টান ফুটবোল লীগনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

টাজকিষ্টান ফুটবোল ফেদরেসননা হিরম অসিগী মতাংদা হায়, দোমেষ্টিক লীগ মেটচশিং অসি নোংমাইজিং নুমিৎতগী হৌদুনা মে ১০ ফাওবা য়ৈথোক্কনি অমসুং ফেদরেসন অসিনা গভর্ণমেন্টনা থাংজ নুমিৎতা স্পোর্টিং ইভেন্টশিং লেপ্নবা খঙহনখিবা ৱাফম অদুবু মপুং ফানা শৌগৎলি হায়খি। লৈবাক অদুদা কোভিদ–১৯গী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা থাংজ নুমিৎতগী স্কুলশিং চায়োল ২ সট দাউন তৌবগা লোয়ননা মপান লমদগী পুশিনলকপা পোৎলমশিংসু অথিংবা থমখি।

টাজকিষ্টান ফুটবোল সিজন অসি মালেমগী মফম কয়াদা ফুটবোল লীগশিং লেপ্তুনা লৈরিঙৈ হৌখিবা এপ্রিল ৪ দগী মীয়াম য়াওহন্দনা পাঙথোক্তুনা লাকপনি।

# আইতা অমদি সাইনা টেন্নিস কোচশিংগী এডুকেসন সেমিনর পাঙথোক্কদৌরি



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৭ (এজেন্সি)ঃ

ওল ইন্দিয়া টেবল টেন্নিস এসোসিয়েসন (আইটা) অমদি স্পোর্টস ওর্থোরিটি ওফ ইন্দিয়া ( সাই) অনীনা খুৎশম্নদুনা জুম এপ্পসকী খুৎথাংদা সেসন ১২ লৈবা ওনলাইন এড্যুকেসন সেমিনর অমা টেন্নিস কোচশিংগীদমক চৎলিবা চহী অসিগী এপ্রিল ২৭ দগী মে ৯ ফাওবা চায়োল ২ চুপ্না পাঙথোক্লগনি হায়রি।

টেন্নিসকী এক্সপার্টশিং অমসুং টুইটরশিংনা কন্দক তৌগদৌরিবা সেসনশিং অসি লৈবাক অসিদা কোভিদ–১৯ লাইচৎ শন্দোকপা থিংনবা থন্নিবা লোকদাউন মনুংদা আইটানা টেন্নিসকী কোচশিংবু কোচিংগী লমদা মখোয়গী লমদা দিভলপমেন্টশিং অদু সেয়র তৌবিনবগীদমক এঙ্গেস তৌরি।

সেমিনর অসিনা টেন্নিসকী তোঙান তোঙানবা টোপিকশিং অমদি টেন্নিস দিয়ুরিং লোকদাউন, ফিটনেস ট্রেন্নিং, গোল সেটিং, ষ্ট্রেটিজি এন্দ টেক্টিক্স, ন্যুট্রিসনেল, মেন্তল ট্রেন্নিং, ফাষ্ট এর্দ, কম্পীটিসন ফোরমেদ, কোচিং চিল্দ্রেল এন্দ য়ং ষ্টার, কম্মুনিকেসন এন্দ ইনফোরমেসনগা লোয়ননা আইটাগী সাক্যুইদ, আই টি এফ টুর অমসুং দব্লিউ টি এ টুরগী মতাংদা সেসন পাঙথোক্কনি হায়রি।

ওল ইন্দিয়া টেন্নিস এসোসিয়েসনগী ডাইরেক্টর ওফ কোচিং এড্যুকেসন প্রোগ্রাম সুরেস সোনাচলাম অমসুং এডমিস্ট্রেটর নার সিংহনা চায়োল ২ চুপ্না পাঙথোক্কদবা টেন্নিস কোচশিংগী ওনলাইন এড্যুকেসন সেমিনর অসি হৌদোক্কনি হায়রি।

আইটানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, তোঙান তোঙানবা সেসন ১২ লৈবা টেন্নিস কোচশিংগী ওনলাইন এড্যুকেসন সেমিনর অসি গেরি ওব্রাইন, বলাচন্দ্রন মনিকান্দ, চেলষ্টোন পিন্তো, নন্দান বাল, সাইনি চন্দ্রাল, করৱলজিৎ সিংহ, হিমট বেন্দ্রেল অমসুং মনোজ ভাইথিয়ানা সেননশিং অসি কন্দক তৌনবগীদমক শেম শারি।

সেসন ১২ লৈবা অসিদা শরুক ২ থোক্ন খায়দোক্তুনা সেসন অমমমদা মিনিট ৪০ লৌগনি। অহানবা শরুক অদু মথক্তা পনখ্রিবা টুইটোরশিং অসিনা কন্দক তৌগদৌরিবা টোপিকশিংগী মতাংদা খৎন্নগনি অদুগা অনীশুবা শরুক অদুনা টুটোর অমা নৎত্রগা মসিদগী হেনবনা এক্সপার্টশিংগা তান্নগনি।

# এষ্টোন ভিল্লাগী শান্নরোই অমসুং কোচিং ষ্টাফনা তলব হন্থবদা য়াখ্রে



লন্দন, এপ্রিল ২৭ (এজেন্সি)ঃ

ইংলিশ প্রেমিয়র লীগতা শান্নবা এষ্টোন ভিল্লাগী শান্নরোই অমসুং ফার্ষ্ট টিমগী কোচিং ষ্টাফ অমদি সেনিয়র মেনেজমেন্টনা কোভিদ–১৯না মরম ওইদুনা ক্লব অসিগী ফাইন্সাসিয়েলদা অৱাবা মায়োক্নরিবা অসি খরা কোন্নবগীদমক থা ৪ গী ওইনা মখোয়গী তলব চাদা কুন্নমঙা হন্থরগা লৌবদা য়ান্নরে হায়না প্রেমিয়র লীগকী ক্লব অসিনা থাংজ নুমিৎতা লাউথোকখ্রে।

প্রেমিয়র লীগ ক্লবতা সাউঠ হেমতন, ৱেষ্ট হাম য়ুনাইটেদ, ৱার্দফোদ অমসুং সিফিল্ড য়ুনাইটেদনা ৱারেপ অসিগা মান্না লৌখ্রবা মতুং এষ্টোন ভিল্লানা লীগ অসিদা তলব হন্থনবগী খোঙথাং লৌবা মঙাশুবা ক্লব ওইরে।

হিরম অসিগী মতাংদা ক্লব অসিগী সি ই ও খৃষ্টিয়াননা হায়, ঐখোয়গী ফার্ষ্ট টিমগী শান্নরোই, কোচস অমসুং সেনিয়র মেনেজমেন্টনা খুদোংথিনিঙাই ওইরবা মতম অসিদা ক্লব অসিগীদমক মখোয়গী থা ৪ গী তলব চাদা ২৫ হন্থনা লৌবদা য়ান্নরে। থা ৪ গী মতুংদা মখা তাবা খোঙথাং লৌখৎনবগীদমক অমুক খৎন্নগনি হায়না ফোঙদোকখি।

লীগ অসিদা শরুক য়ারিবা অসর্নেলনা মখোয়গী শান্নরোই অমসুং কোচিং ষ্টাফকী তলব চাদা ১২.৫ হন্থনবা লাউথোকখিবা লৈখ্রে। অদুগা লিভরপুল, টোতেহাম হোস্পদ অমসুং বোর্ন্দমুদননা মখোয়গী নন–প্লেয়িং ষ্টাফশিংগীদমক অখন্নবা খোঙথাং লৌখৎখিবা লৈখ্রে। লোয়ননা হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা নোরৱিস সিটিনা মখোয়গী ষ্টাফশিংগীদম শাফনবা ৱারেপ লৌখ্রে অমসুং লন্দদা বেজ তৌবা চেলসি এফ সিদি ক্লব অসিগী ফার্ষ্ট টিমগী শান্নরোইশিংগী তলব হন্থবগী ৱারেপ লৌরোই হায়না ফোঙদোকখিবনি।

ইংলেন্দদা সোক্কর ইভেন্টশিং লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা মমাঙ থাদগী লেপ্তুনা লাক্লি।

# জে আর দি টাটা স্পোর্টস কম্পলেক্স কোরেন্টিইন সেন্টর ওন্থোকখ্রে



জমসেদপুর, এপ্রিল ২৭ (এজেন্সি)ঃ

টাটা গ্রুপনা চলায়বা জমসেদপুরদা লৈবা জে আর দি টাটা স্পোর্টস কম্পলেক্স কোরেন্টাইন সেন্টর ওন্থোকখ্রে। ষ্টেদিয়ম অসি ইন্দিয়ান সুপর লীগকী জমসেদপুর এফ সিগী হোম গ্রাউন্দসু ওইরিবা ষ্টেদিয়ম অমনি।

আই এস এলগী ক্লব অমসুং ষ্টেদিয়ম অসি টাটা গ্রুপনা চলায়বনি অমসুং ওর্থোরিটিশিংনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টগা লোয়ননা মীয়ামগীদমক মতেং পাঙনবা কথোকপনি হায়রি। জমসেদপুর অসি ইন্দষ্ট্রিয়েল সিটি ওইবনা মফম অদুদা য়ূমথংন্নবা খূলশিং দগী তোঙান তোঙানবা লেভরশিং লাক্তুনা নোংমাগী চরা তালিবনি। অদুমকপু লৈবাক অসিদা থন্নিবা লোকদাউননা মরম ওইদুনা লেভরশিং অসিগী চঙজফম লৈতবনা টাটা গ্রুপনা ষ্টেদির্য়ম অসিবু মখোয়গীদমক অমদি মীয়ামগীদমক কোরেন্টাইন সেন্টর ওইনা কথোকপনি হায়রি।

স্পোর্টস কম্পলেক্স অসিদা ফুটবোল, এথলেটিক, স্বীম্মিং অমসুং ফিল্ড হোক্কিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেদিয়মশিং লৈরি অদুবু লৈবাক অসিদা স্পোর্টিং এক্টিবিটিশিং লেপ্লিবনা টাটা গ্রুপনা মফমশিং অসি মীয়ামগীদমক কথোক্লবগী খোঙথাং লৌবনি।

জরখন্দদা লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা মীওই ৬০ হেন্না শোকহনখিবগা লোয়ননা মীওই ৩ গী পূন্সি মাঙহনখ্রে অমদি ৮ অমনা ফগৎখ্রে।

# ক্রিকেটুর জেমস এন্দরসনগী বেট ওক্সন তৌখ্রে



লন্দন, এপ্রিল ২৭ (এজেন্সি)ঃ

ইংলেন্দ ক্রিকেট টিমগী ফার্ষ্ট বোল্লর জেমস এন্দরসননা মহাক্কী খূৎয়েক পীবা অরোয়বা টেষ্ট মেটচ ওইনা সাউঠ অফ্রিকাগী কেপটাউনদা শান্নখিবা মেটচ অদুদা শীজিন্নখিবা মহাক্না খূৎয়েক পীবা ফুরিট, বেট অমসুং ষ্টম ফন্দ তাশিন্নবগীদমক ওনলাইনদা ওক্সন তৌরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

টুইটরগী খুৎথাংদা এন্দরসননা হায়, গো ৱেল ফন্দগীদমক ই বি এগী খুৎথাংদা ঐহাক্না কেপ টাউনদা শন্নখিবা টেষ্ট মেটচ অরোয়বদা মহাক্না শীজিন্নখিবা ফুরিট, বেট অমসুং ষ্টম লাইচৎ অসিনা শোকহল্লবা মীয়ামশিংগীদমক অঙম্বা মতেং পাঙনবগীদমক ওক্সন তৌদুনা মদুদগী ফঙলকপা শেনফম অদু কখোক্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা মালেমগী মীশিং লাক্ষ ২ হেন্না পূন্সি মাঙহনখিবগা লোয়ননা স্পোর্টিং ইভেন্টশিং টোকিও ওলেম্পিক গেমস য়াওনা অতোপ্পা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ কয়া পাঙথোকপা তোকপা নৎত্রগা য়ৈথোক্তুনা লৈরি। অদুবু মালেমগী স্পোর্টস পার্সনশিংনা হেলঠ খ্রাইসিস ওইরিবা লাইচৎ অসিবু লাম্হেংনবদা মখোয় মখোয়গী অঙম্বা থাক্তা হোৎনদুনা মীয়ামগীদমক লেপ্তুনা লাক্লি।

হন্দক্তা ইন্দিয়ান নেস্নেল টিমগী কেপ্তেন ভিরাট কোহলি অমসুং মহাক্কী রোয়েল চেলেঞ্জর বেঙ্গলোরগী টিমমেদ সাউঠ অফ্রিকাগী শান্নরোই এ বি দি ভিলরসনা মখোয়গী ২০১৬ আই পি এলগী বেট, ফুরিট অমসুং গ্লোফশিং ওক্সন তৌদুনা মীয়ামগীদমক মতেং পাঙনবা থৌরাং তৌখিবা লৈরে।

লোয়ননা ইংলিশ ক্রিকেটুর খরসু মখোয়গী শন্নবগী কেরিয়রদা কাঙল্লারোইদবা মীকূপ কয়া লোয়ন্নরিবা মশা মশাগী পোৎলমশিং ওক্সন তৌদুনা ফন্দ তাশিন্দুনা লাইচৎ অসিবু লাম্হেংনবগীদমক কখোককখিবা লৈখ্রে। খোঙথাং অসিগা মান্না বঙ্গলাদেশকী ক্রিকেটুর সকিপ অল হাসন অমসুং মখোয়গী ৱিকেট কিপ্পর মুসফিকুর রহিমসু মখোয়গী পোৎলমশিং ওক্সন তৌদুনা মীয়ামগীদমক মতেং পাঙখিবা লৈখ্রে।

SAMSUNG COMBI
SAMSUNG 40" LED
SAMSUNG 190 LTR. REFRIG.
SAMSUNG 7.2 KG WASHER
₹ 46,000/-
TATA SKY FREE
SAMSUNG 43' SMART LED
SAMSUNG 190 LTR. REFRIG.
SAMSUNG 8 KG WASHER
₹ 57,500/-
SARAJEEVAN ENT, PAONA BZ, IMP.
VIDEOCON HOUSE. PAONA BAZAR. IMP.

SANSUI
WASHING MACHINE
6.5 KG = ₹ 7999
7.2 KG = ₹ 8999
8.2KG = ₹ 10200
6.2KG Godz = ₹ 8200
7KG New Godz = ₹ 9200
8KG Godz = ₹ 11500
8.5KG Godz = ₹ 12000
REFRIGERATOR
181 Ltr Godz = ₹ 10600
190 Ltr SAMSUNG = ₹ 11400
190 Ltr 3 STAR Godz = ₹ 13400
200 Ltr 3 STAR = ₹ 13000
SANSUI LED
32" LED SMART = ₹ 11000
40" LED SMART = ₹ 19000
50" LED (4K) = ₹ 29500
VIDEOCON HOUSE. PAONA BAZAR. IMP.

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com